ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯴꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, ওগষ্ট ২০, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৪৫শুবা মশীং

## কোর্টকী ঈ পাউ

### মীপূম তিংনা খঙহনবা কান্নরোইদ্রা

চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরগী ওইনা ৱায়েলশঙ (কোর্ট) শিংগী ফীভম হৌজিক মায়োক্লরিবা অৱাৎ-অপা ময়ামসি লৈজরগসু ঙসি ওইরিবা ফীভমসি য়ৌরমদে, ওইরমদে। দিষ্ট্রিক্টশিংগী সেসন্স কোর্টশিং ফাওবা লৈজরমদে। ইশম-শম্বদা মণিপুরগী তোঙানবা হায়কোর্ট ফাওবা লৈজরমদ্রিবনি। অদুবু মণিপুর পীকচবগী হৌনবা মীশিং য়ামজদ্রবসু মখল কয়াগী ক্রাইম কয়া থোকই। বোর্দর ষ্টেট অমা ওইবগী হৌনবা ইল্লিগেল দ্রগশিংগা মরী লৈনবা থৌদোক কয়া থোকই। খুৎলায় পায়বা কাঙলূপশিংগী মশীং য়াম্না লৈবনা 'কনফ্লিক্ট সিচুএসন' অমা অদুম্মক মায়োক্লদুনা লৈ। হীরম অনীসিগা মরী লৈনবা ক্রিমিনেল ইন্সিদেন্ট কয়া থোকই। মসিগী মথক্তা আই পি সী অমসুং সী আর পি সীগী এক্টশিংগী প্রোভিজনশিংনা য়াদবা/থুগাইবা ওফেন্স কয়া কম্মিট তৌবগী থৌদোকশিং থোকই। প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্ট, ২০১২গা মরী লৈনবা থৌদোকশিং থোকই। সিভিল কেসশিংসু থোকই। কয়ামুক য়াম্না থোকপগে হায়ববু হৌজিক হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমসুং মসিগী সবোর্দিনেট কোর্টশিংদা কেস কয়া পেন্দিংদা লৈরি। অদুবু ৱায়েলশঙনা ৱায়েল চত্থদুনা দিস্পোজ তৌগদবা মখল কয়াগী কেসশিংগী মশীং য়াম্না য়ামখৎলক্লিবসি থিংনবা মশীং য়ামখৎহল্লক্তনবা/হন্থহন্নবা পান্বেশিং অমত্তা লৈত্রবরা হায়দুনা হংবসু য়ারি। হংনীংঙাই ওইরি, হংফমসু থোক্লি। মসি পূন্নমক হৌজিক নোংমতা কাংদনা থৌদোকশিং থোরকপা অমসুং থৌদোকশিংসিগা মরী লৈনবা কেসশিংগী মশীং য়ামখৎলকপদগী থোরকপা ৱাহংনি। মরমশিং অসিনা মখল কয়াগী ক্রিমিনেল অমসুং সিভিল কেসশিংগী মশীং য়ামখৎহল্লক্তনবতা নত্তনা লোগী ৱাংমদা লৈবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবা কৈদৌবা তাবগে?

মসিগীদমক ৱায়েলশিং মথৌ ফজনা পাঙথোকহনবা ঙম্নবা জুদিসল ওফিসরশিংগী মশীং ৱাৎহন্দবা, মথৌ তাবা ষ্টাফশিং মশীং শুহনবা অমসুং তঙাইফদবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শুনা থম্বনা য়াগদ্রা? য়ানি, অদুবু মসিদি কেসশিংবু কুইনা পন্দুনা লৈহন্দনা অথুবদা দিস্পোজ তৌনবগীনি। ক্রাইম অমসুং ওফেন্সশিং কম্মিট তৌহল্লক্তনবা, এক্ক্যুজ মশীং/ভিক্টিম মশীং য়ামখৎহল্লক্তনবদি করি তৌবা তাবগে? মশ্বাইদদি মরম ময়াম লৈবগা লোয়ননা পান্বেসু য়ামনি। অদুবু মীপূম খুদিংমক লো গ্রেজুএট অমমম ওইহন্দনা লিগেল ফ্রেটর্নিটিদা লোইনা কোনশিনবসু ঙম্লোই। অদুগা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লো পূন্নমক হোত্রোং হোনা খঙলবা মীওইশিংগী মরক্তগীসু ওফেন্দরশিং ওইরকপা য়াওদবসু নত্তে। মসি পূন্নমক ওইরগসু লো হায়বসি করিনো? করি করিনো? লোনা য়াদবা অমসুং লো থুগাইরুরগনা করি করম্বা চৈরাক ফংবা য়াই হায়বনচিংবা ময়ামসিগী মনুং থিৎনমক খঙহনবা ঙমদ্রবসু বেসিক ওইবা নোলেজ খরা খরদা ওইরবসু লৈহন্নবা কোর্টকী ঈ-পাউশিং মীয়ামদা য়ৌহনবা/খঙহনবদা কান্নরোইদ্রা হায়বগী ৱানি। লৈঙাক্কী লোয়শঙ, লন্নাইগী য়াওনা লায়েংশঙশিংদা ফাওবা মীয়ামগা শম্নবা 'পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর (পি আর ও)' হায়দুনা ফাওবগী পোষ্টশিং শেমদুনা থম্নরি। পূন্নমকসিগী মথক্তা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী তোঙানবা দিরেক্টোরেট অমা ফাওবা হাংদোক্তুনা থম্লিবনি। ৱায়েলশঙশিংগীসু মীয়ামগা শম্নবগী থবকশিংসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (দি এল এস এ) শিংগী মখাদা পাঙথোকপা য়াত্রা হায়বনি। হোয় রেপ অমসুং পোক্সো কেসশিংগী ৱায়েলগা মরী লৈনবা ত্রাইএল য়াওনা অতে থবক থৌরমশিং 'ইন-কেমরা' দা তৌগদবনি হায়বগী দিরেক্সন লৈ। মসিগী মথক্তা কেস অমগী ইনভেষ্টিগেসন মপূং ফানা চত্থবা লোইদ্রিঙৈগী ফর্ষ্ট অমসুং সেকেন্দ রিমান্দ ফাওবগী পাউ মীয়ামদা শিৎ নান্না খঙহনবদা অকায়বা লৈরকপসু য়াই। অদুবু কেস পূন্নমক্কী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবা য়াবশিং খন্দোক্লগা খঙহনবনা লিগেল এৱ্যের্নেস পীরকপা ওইনা থোকহন্দুনা ক্রাইমশিং মশীং হন্থহল্লকপদা মতেং খরদা ওইরবসু ওইরক্কদ্রা হায়বসি খন্নবা চুমগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) "**খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।**" ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) "**মণিপুরী রাস**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি "**প্রলয়গী খূৎশোক্তা**" হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) "**নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা**" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) "**...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তান্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্থুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তান্থোকখি।**" ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইতৈনা ইবাই ওনখ্রবদা

## ৱাইরু-ৱাইরুবদা



বীর টিকেন্দ্রজিৎ লীলাদা (এ আই আর, ইম্ফালগী মৈত্রম বীরনা ইবা) ইংলিসমেন ওফিসর অমনা মণিপুরী লোল অসি ইংলিস লোলগী খোন্থোক্কী মওংদা ঙাঙবা তাখি। মদু ঐনা অহানবা ওইনা তাবা মতমদা য়াম্না নুংঙাইখি। ঐদা নত্তনা ইমান্নবশিংসু নুংঙাইখি। লম্বীদা, স্কুলদা ঐখোয় মশেল ইমালোলবু ইংলিস লোনবগী মওং তমদুনা ঙাঙন-শক্লরম্মী। রেদিওগী লীলা ওইনা তাজখিবনি মদু রুপমহল থিএটরগী লীলানি। মদু কায়দে ইংলিস মচানা মীতৈলোল ঙাঙবদা খোইবা মশানা তাবনি, মখোয়না ঙাঙলিবা খোন্থোক্তু খোইবনি। ঐখোয় মীতৈ মচাশিংনা ইংলিস, হিন্দি ঙাঙবা মতমদসু তশেংনা মমালোল ওইজবা মখোয়গী নাকোংদদি ঐখোয়না ঙাঙলিবা অসি অকোইবা লোল ওইনা তারমগদৌরিবনি। মসি তাবদা ঐখোয়বু নুংশিরমগনি। মখোয় অসে ঐখোয়গী লোল খোইনা ঙাঙইদা হায়দনা করিসু নোক্ল রম্লোই। কনাগুম্বা ৱাখল শুফাত্তবা, ৱাখল চাওথোকপা ঙমদবা মীনা মদু নোক্লরম্বদি য়াই। মদুনা মদুনি।

ইমালোল ঙাঙবা মতমদা য়াম্না ফজদবা মওংদা শায়র-শায়রগা, থৌওইনা ঙাঙগে য়াওনা ঙাঙবা মানবা য়াওরকপা অসি তশেংনা ইকায়বীবা নৎত্রগা নুংঙাইজদবা ফাওরি মখোয়গীদমক। লোল শুরক্তবা হায়বা তারে অমরোমদা মসি। 'র' গী খোন্থোক অমা হায়বদা মরৈ কোল্লগা ইংলিস লোল ঙাঙবদৌনা তৌবা য়াম্না লৈরে। করিনো হায়বদা মরৈ অদু কোল্লগা 'খরিয়নো'' হায়বা য়াওনরে। মসিদা নত্তে। 'জ' গী খোন্থোক অসিবু ইংলিসকী খোন্থোক্তৌনা ঙাঙনবা য়াম্না লৈরে। ঐ খঙজদে হায়বগী মহুত্তা ঐ খঙজ্বদে, ঐ চাজ্বদে, ঐ উজ্বদে হায়বগী মওংদা লাক্লে। মসি ৱা ঙাঙনবদা অমদি ঙাঙবদা য়াম্না তোয়না তানরে। অমনা 'চ' গী খোন্থোক অসিসু মওং অমনি। অচৌবা হায়গদবদা অচুবা হায়বা মচিন চপশিল্লগা ঙাঙবা ইন্টরভিয়ু লৌবা মীওই কয়া লৈরে। ঙসি মণিপুরী (মীতৈলোল/মৈতৈলোল) অসিদা র, জ অমদি চগী খোন্থোকশিং অসি মওং অমা তৌখ্রে। শোয়দনা লিঙ্গুইষ্ট ময়ামগী নাকোং য়ৌখ্রগনি। মীতৈলোল অসি ইংলিসকী খোন্থোক মান্না ঙাঙগে ঙাঙগে তৌবা লোল শুদবা মানবা অসি য়াম্না লেম্নরক্লি। ফিল্মদা থোরক্লিবী মেন রোল কুম্বী নুপীমচাশিংগী মীতৈলোলনা সুম তারুবদা পূক্নিংদা লৈত লায়রগী ৱা কাউই। ইকস্থীনা ইরল ফোয়দৎতুনা টি ভি থুগাইনীংলকই। অদুক শেল তিংনা টি ভি য়েংলগা মরৈ

ইকোন হেক কোল্লদুনা লৈতোন শেংবোই শেংদবোই মতম অমগী য়েংখোম রোমা, য়ূল্লেম্বম কুন্দোরৈ খোয়গী লোল অদু ফজদ্রা? হৌজিক্লা খোইগে য়াওনা খোইশিন্নবা মানবা অমসু য়াওনরে।

খোন্থোক্তা নত্তে, ৱাহৈসু ইশোয় শোয়নরে। খেন্নবা হায়গদবদা খেৎনবা, লামায় হায়গদবদা লৈমায় হায়না হায়নরকপা, ইনরকপা য়াম্না য়াওনরে? অমনা মপাল্লোম হায়গদবদা মাপলরোম, কুনলোম হায়গদবা কুনরোম হায়বা ইবা, হায়বা ওন্থোক্লা ৱানা পঞ্জরি, তাজরি। মীতোপ্পা থুগাইরকপা, য়ানখায়রকপদি লায়রি। ইশানা ওইনা ইশাগী য়ূম জে সী বি থৌজিল্লগা থুগায়জবগী মওংনি। অঙাং মচা লোল শুফাৎত্রিবা অমনা লোল খোইনা খোইনা ঙাঙবা অদুদি তাবদা য়াম্না নুংশি, অহলনা লোল খোইবা অসিদি তাবা য়াদে। লোল শায়বা হায়বদু তারগা তোকই। ইতোনবু কাকা কৌবগী, ইতৈমবু ভাবি কৌবগী ৱা থোক্লরিঙৈ চৈরক্তা ইকুবোকপু বাজি, পাবা, পাবুং, বাবা কৌবগী নম্বো অমা হাইগৎলক্লি। ইনেম্বোকসু ইমা ওনখ্রে। নুপীশিংসিসু পঙনোপ নোপ্তে, ইতৈ কৌবা ইকায়দুনা ইবাই হেক্তা কৌরে মতৈদা। খরা লৈরগদি ইমাগসি সুম কুইনা কৌমন্দুনা তল্লে, সিষ্টর নৎত্রগা নেনে কৌনরকপফাও য়ারি। লোল অমবু থুগায়বা হায়বসি ইশানা সুম থুগাইজবনি। মীনা থুগাইবীরকপা নত্তে। ইশাদা লৈরে।

অমুকসু লোল অমগী গ্রাম্মার অসি হোংদবা য়ারক্তে। হোংলিবনি হায়দুনসু নোংমা নীনিদা হোংবা নত্তে। মরম চানা হোংলকপনি, অদুদি নত্তনা লোল অদু চুম্না শীজিন্নবা হৈত্রগা লোল অদুগী অচুম্বা মশক ওইনা চৎপা য়ারোই। অঙাং মচানা গ্রাম্মার কায়না ঙাঙলিবা ময়ামদু ঐখোয়গী অচুম্বা লোল ওইনা লৌনদে, চুমথোক্লরি।

ইমালোল হিংহন্নীংদবা কনা অমত্তা লৈরম্লোই। অদুবু কমদৌনা হিংহনগদগে হায়বদি খঙজদবা অমদি পান্বে লৈজদবা কয়া য়াওরি। লোল অমা হিংনবা হোৎনবদা লোল অদু তম্নবা ৱেবসাইট, য়ুট্যুব চেন্নেল, গ্রাম্মার এপ, খোন্থোক্কী এপ, দিক্সনরি, এনসাইক্লোপেদিয়া অসিনচিংবা কয়া পুথোকপা চঙই, লোল অমদা হায়বদু ইরোলদা সেকেন্দ অমদা ওন্থোকপা ইরোল অদু মীরোলদা খুদক্তা ওনবা য়ানরক্লি। ৱা ওইনা ঙাঙলগা মথন্তা টাইপ তৌহনবা য়ারক্লি, অইবা পোৎ অমা সোফ্টৱেয়রনা পাবা য়ারে। মসিগুম্বা ময়াম অসি লন্নাই অমদি লৈঙাক্লা তৌগদবনি। লোল চাওখৎনবা চা অহাউবা, সিংহারা অচৌবা, ঙা অতাওবা য়াওবা সেমিনার, সিম্পোজিয়ম ঙাক্তনা য়াররোই, ইমালোল শায়রগা ঙাঙবা য়াম্না লৈরবনি। ●

# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ উচী-মৈ # ৩৫৫

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

উচী-মৈ নৎত্রগা উচী-মমৈ হায়রিবা পান্বী অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী মফমশিংদগী হৌরকখিবা নৎত্রবসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্না থান্নবা পান্বী মখল অমনি। পান্বী অসিগী লৈশিং অদু ফুটখায়মুক শাংবা মখোক অমদা অপীকপা লৈ কয়ামরুম অকোয়বদুদা য়াম্না কূংনা শাৎপদু হেক পায়বদা মোন-মোন লাওবা অমদি য়েংবদা উচীগী মমৈ মানবদগী পান্বী অসিবু উচী-মৈ হায়না কৌনখরে। উচী-মৈ পান্বী অসি ইংলিসতা রেদ হোট কেট টেইল (Red hot Cat tail) নৎত্রগা চেনিল প্লান্ট (Chenille plant) নৎত্রগা ফিলিপিন মেদুসা (Philippine medusa) নৎত্রগা ফোক্সটেইলস (Foxtails) নৎত্রগা মোঙ্কি টেইল (Monkey tail), সাইন্টিফিক নৎত্রগা *বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা একলাইফা হিসপিদা (Acalypha hispida Burm.f.)* নৎত্রগা *একলাইফা দেন্সিফ্লোরা (Acalypha densiflora Blume)* নৎত্রগা *এলকাইফা সেন্দেরি (Acalypha sanderi N.E. Br.)* নৎত্রগা *কেটারস স্পিসিফ্লোরস (Catarus spiciflorus L.)* নৎত্রগা *রিসিনোকার্পস হিসপিদস (Ricinocarpus hispidus (Burm.f.) Kuntze* নৎত্রগা *রিসিনোকার্পস স্পিসিফ্লোরস (Ricinocarpus spiciflorus (L) Kuntze)* হায়না কৌই অমসুং *য়ুফোর্বিয়েসী (Euphorbiaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।



শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পান্বী খরদি -আৱা-কেগে পান্বী (জাত্রোফা কুর্কাস), কেগে পান্বী (রিসিনস কোম্যুনিস), পাখং লৈতোন পান্বী (য়ুফোর্বিয়া হীরতা), উরৈরোম লাবা পান্বী (মেলোটস ফিলিপেন্সরস) অসিনচিংবনি। উচী-মৈ পান্বীগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংগী জিন্সকী মমিং একলাইফা হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ একেলপে (Akelpe) হায়বসিদগী লৌথোকখিবনি অদুগা মদুগী ৱাহন্থোক্লা শোকপদা হঙ্গোয়বা ফাওবা হায়বনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি উচী-মৈ পান্বীগী লৈ অদু শোক্লুবদা নৎত্রগা পায়রুবদা মরেং-মরেং চৎপগুম্না হঙ্গোয়বগুম্না ফাওবা অদুদগীনি। অদুগা পান্বী অসিগী স্পিসিসকী মমিং হীসপিদা (Hispida) হায়বসিনা পান্বী অদুগী লৈশিং অদু মতু চোমদুনা হেক য়েংবদা ব্রশ (Brush) মানবা অদুদগী থোনখিবনি।

উচী-মৈ পান্বী অসি ফুট ৪-৫ রোমতমক ৱাংজরবসু করিগুম্বা কান্দা ফুট ১০ ফাওবা ৱাংনা হৌই। পান্বী অসি মনা অমসুং মসা-মরেং য়াম্না লোংবা অদুগা মতম পূন্নমক্তা মনাশিং অদু শংদুনতা লৈবা চহী কয়ামরুম পুন্সিবা পান্বীনি। পান্বী অসিগী লৈশিং অদু য়াম্না কূপ্পী অমসুং ইঞ্চি ৪দগী ৬ ফাওবা শাংবা মখোক্তা য়াম্না কূংনা পান্দুনা হেক য়েংবদা উচীগী মমৈগুম্না উবা ফংই। লৈশিং অদু ঙৌরুনবা নৎত্রগা ঙাংশং-ঙাংই। পান্বী অসিগী লৈশিং অদু ফ্রেন্সতা চেনীল (Chenille) হায়না কৌনৈ। মরমদি পান্বী অসিগী লৈশিং অদু হেক য়েংবদা তীনখাক্কী মতু জোম জোম চোম্বা অদু মানবদগীনি অমসুং চেনীলগী লং মখল অদুসু মাল্লি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উচী-মৈ পান্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিং মরু ওইনা এসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। মলেসিয়া অমসুং পাপুএসিয়াগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবা উচী-মৈ পান্বী অসি ঙসিদি মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা পাক-শন্না শন্দোক্তুনা থাখিবদগী মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে।

উচী-মৈ পান্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নৈ। হীমোপটাইসিস (Haemoptysis) হায়না খঙনবা লোক খুবদা ঈ য়াওগনবগী লায়না অদুদা উচী-মৈ পান্বীগী মরা অমসুং লৈ অদু ইন্দোনেসিয়াগী মীওইশিংনা লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। উচী-মৈ পান্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু মখল মখা কয়াগী হীংকুপশিং (Microbes) শিং হাৎপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই হায়না পাউদল্লি। উচী-মৈ পান্বী, হীদাক মনা পান্বী (নিকোসিয়ানা টেবেকম - Nicotiana tabacum) অমসুং চেঙহীগা পূন্না শুগাইরগা শেম্বা মচল অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা উনশা চাথৎপা অদু লায়েংবগী মথক্তা উনশাগী মখল খরগী লায়নাশিংসু লায়েংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না উচী-মৈ পান্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা মচল অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লেপ্রোসী হায়রিবা কুষ্ঠি (Kushti) থুংবগী লায়না অদু লায়েংনবগী পাউদমশিং লৈ। উচী-মৈ পান্বীগী লৈ অদু ঈশিং খরা হাপ্তুনা ফুৎলগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোঙ হামথবগী লায়না অদু মলেসিয়াগী মীওইশিংনা লায়েংনৈ। গোনোরিয়া (Gonorrhoea) হায়না খঙনবা নুপা-নুপী অনীমক্কী ফিনুংগী থোংদা মচুম তাদুনা নাগনবা লায়না অদুদা উচী-মৈ পান্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা লায়না অসি বেক্টেরিয়া হায়রিবা হীংকুপ মখল অমনা শন্দোকহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা ঈশিং য়াফম তৌরবা হায়বদি হক্কী ঈশিং য়াম্না লীক্লা চৎলবা, ঈশিং অদু চৎপদা য়াম্না শাবা অমদি নাবা ফাওরবদি উচী-মৈ পান্বীগী নৌতক তৌবা মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদুদা চিনি অঙৌবা খরা তুমহল্লগা শেম্বা মহী অদু গ্লাস অমগী চাংদাদা নোংমদা ২ রক পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। অশোক-অপন তৌবদা উচী-মৈ পান্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা থোম্বদা ঈ অদু থুনা খকহনবা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুংইন্না উচী-মৈ পান্বীগী মখোক্কী মকু অদু শেৎলগা শেম্বা মচল অদু এসথমা/এজমা তৌবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না উচী-মৈ পান্বীগী মসা অয়াম্বা হূ চেল্লি। অখঙ অহৈগী পাউতাক য়াওদনা পান্বী অসি হীদাক ওইনা দোজ চাদনা শীজিন্নবদা থোইদোক্লা চেকশিন্নীংঙাই ওইবগী ৱাফম পল্লি। পান্বী অসিদগী থোরকপা অঙৌবা মচুগী সেপ (Sap) হায়বদি মখোম অদু মীওইবনা চাশিল্লুরবদি ওবা-ফায়বা, কোক ঙাওবা অমসুং থেংলুবদা উনশা অদু মথা-মথা পোমখৎহনবগী ওইথোকপশিং ময়েক শেংনা পল্লি। শা-ষণসু থোইদোক্লা চাদবা মরম্না ইঙ্খোল অমসুং য়ূমগী অকোয়বদা উচী-মৈ পান্বী অসি পাম্না থানৈ। পান্বী অসি গল্লাদা থাবদসু য়াম্না ফজে। মলেসিয়াদদি পান্বীগী অনৌবা মতোন অদু এঙ্গাং ওইনা থোংদুনা চানৈ। ●